# ম্যান্মারগা তায়নবা মোরেগী লমখৈগী শরুক্তা আর্মিগী ওপরেসন কনখৎখ্রে

*থৌদাং পাউমীদগী*

***ইম্ফাল, জুন ৯:*** ম্যান্মারদা দিমোক্রেসি হঞ্জিনলকখিবদগী ভারতকা অফবা মরী থম্নরকখিবগা ইরোইননা হন্দক প্রাইম মিনিষ্টর ডা: মনমোহন সিংহনা ম্যান্মারদা চৎখিবা নুমিৎ হুমনিগী খোঙচৎ অদুগা মরী লৈননা ম্যান্মার গভর্নমেন্টকী মায়কৈদগী লৈবাক অদুদা লৈরিবা নোর্থ ইষ্টক মিলিটেন্টশিং তকথোক্কনি হায়না থাজবা পীরকখিবা অমসুং জুন ১০ ফাওবগী মনুংদা ম্যান্মারদা লৈরিবা মিলিটেন্টশিং থাদোক্নবা খঙহনখিবা অদুগী মখা তারকপা ওইনা ঙরাংদগী হৌনা ম্যান্মারগা তায়নবা মোরেগী লমখৈগী শরুক্তা আর্মি অমসুং পেরা মিলিটরি ফোর্সকী চেকশিন থৌরাংগী থবক হান্নদগী হেন্না কনখৎহনখ্রে।

প্রেসনা ফংবা পাউগী সোর্স মতুংইন্নদি, নহানমখৈ ম্যান্মারগী নম্ফালোংগা তায়নবা গেট নম্বর টু , গেট নম্বর ফোর অমসুং গেট নম্বর ৱান য়াওনা বোর্দরগী এরিয়াদা আর্মি অমদি পেরা মিলিটরি ফোর্সকী চেকশিন-থৌরাংশিং লৌখৎপগী চাং য়াম্না কন্না লৈরমদ্রবসু ঙরাংদগীদি আর্মি অমসুং পেরা মিলিটরি ফোর্সনা হায়রিবা জগাশিং অসিদা য়াম্না কুংনা ফুট পেত্রোলিং চৎপা য়াওনা ফ্রিস্কিং অমসুং চেক্কীংগী থবক কনখৎখ্রে।

মোর বজার য়াওনা ম্যান্মাররোমদা বোর্দর লানশিন্দুনা ফাওদোক-ফাউজিন তৌবদা শীজিন্নবা খুল্লক্কী লম্বীশিংদা পেত্রোলিং চৎপা য়াওনা ফ্রিস্কিং অমসুং চেক্কিংগী থবক কনখৎখ্রে। ইম্ফাল্লোমদগী চংলকপা অমসুং মোরেদগী ইম্ফালদা থোক্লবা ষ্টেসন তৌদুনা লৈরিবা পেসেঞ্জর গাড়ীশিংদসু চেক তৌবগী থবক কনখৎহনখ্রে। নহানমখৈদি পেসেঞ্জর গাড়ীশিং অমদি বোর্দরগী এরিয়াশিংদা ফ্রিস্কিং অমসুং চেক্কীংগী থবক অসি তৌদনা লাকখিবনি।

পনবা য়াবদি আর্মিগী সোর্স মতুংইন্নদি, ইন্দো-ম্যান্মার বোর্দরদা মণিপুরগী লালহৌলুপশিংগী কেম্প ১২দগীনা ১৫ ফাওবা লৈ। অদুগা মখোয়গী আর্মর্দ কাদরগী ষ্ট্রেংথনা ২০০০ রোম লৈ হায়না পানরিবনি